**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চখ্‌বদা লালহৌবা অহুম ফারে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৩) উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- মালেমদা শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহনবদা নাৎ অমদি হৈ-শিংবগী লমদা হেন্না হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চখ্‌বদা লালহৌবা অহুম ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোলরুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী মশানা মশাবু লেন্স কোর্পোরেলনি হায়জবা মীওই অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াংইম্ফাল থানা মমাং লৈকাইদগী ফাখি। মীওই অসি থৌবাল, ককচিং অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি লালহৌলুপ অসিগী অনৌবা কাদরশিং পুশিন্নবা হোৎনবদা

চেন্নবনি। মঙোনদগী মেগজিন য়াওনা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু ৪ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায় অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো)গী কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ফাখি। লোয়ননা ককচিং জিলাগী উমাথেল বজারদগী কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী কাদর অমসু মণিপুর পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মণিপুরদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক মরুওইনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি মীচম মীয়ামদা অকি অখঙ পোকহনবগী থৌদোকশিং চপ চানা থেংননবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা কন্না হোৎনরি। মখাদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ওপরেসন কয়া লেপ্তুনা চত্থখিগনি।

অমরোমদা, মীয়ামা গাড়ি থৌবদা হেন্না চেকশিন্নবা অমদি মীয়ামদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবগী পান্দমদা মণিপুর পুলিসনা লেপ্লা লৈতনা দ্রাইভ কয়া অমা চত্থরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা মোটোর ভেহিকল এক্টকী ৱাংমদা চৎলম্বা মীওইশিং চলান ককহনবা অমদি ত্রাফিক্কী চৎন কাংলোন থুগাইবশিং চ্যেক তৌবগী থবক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরি।

এৱার্দ (এল)ঃ  চহি অসিগী নেসনেল জিও স্পেসিয়েল এৱার্দ লাউথোকপদা জাতি থাক্তা খ্বাইদগী ফবা য়ুনিভর্সিতি খনগৎপদা মণিপুরগী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (এন.আই.টি) য়াওরক্লে। মনা অসি শিক্ষা মন্ত্রালয়গী নেসনেল মিসন ওন ইজ্‌কেসন থ্রু আই.সি.টি (এন.এম.ই.আই.সি.টি)গী মখাদা আই.আই.টি বোম্বেগী এফ.ও.এস.এস.ই.ই. (জি.আই.এস) প্রোজেক্টনা পীবনি। থা অসিগী ১৭ তা আই.আই.টি বোম্বেদা পাঙথোক্কদবা ওপ ছোর্স জি.আহ.এস ডে থৌরমদা মনা অসি য়েন্থোক্কনি। থৌরম অসিদা হান্নগী ইসরোগী চেয়ারমেন কিরন কুমরে শরুক য়াগনি হায়রি।

জেএন(এল)ঃ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিনা শিন্দুনা একাদমি অসিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি দান্স ড্রামা অহিংগী লন হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থোরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমদি রাজ্য সভাগী এম.পি. ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা শরুক য়াগনি হায়রি।

কোবিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙরাং বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মীওই অমমম নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, মীওই ১৩ কোভিদ নাইন্তিন টেষ্ট তৌবদা মীওই অনি অদু পোজিটিব ওইবা থেংনখবনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদকী অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং ৩০৯ শুরে। হৌজিক এক্তিব কেস ৩৪ লৈরি। ঙরাংগী গী ওইনা পোজিতিভ ওইবগী চাং চাদা ১৫.৪ নি। হোম আইসোলেসনদা মীওই ৩৩ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা হোম আইসোলেসনদা লৈবা মীওই ৫ নাবা ফখি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদগী হুমি ফাওবদা অকনবদগী য়ামা কনবা চাংদা মখা তানা নোং চুখিবা য়ারি হায়নসু মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

উত্তরাখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, মধ্য প্রদেশ, বিদরভা, ছত্তিসগর অমদি ঝারখন্দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু হয়েং নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি। মসিদসু নত্তনা রাজস্থানগী নোংপোক থংবা মাইকৈদগী হয়েং নোং কান্না চুরবা য়াই।

ধনখর ঃ  উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- মালেমদা শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহনবদা নাৎ অমদি হৈ-শিংবগী লমদা হেন্না হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। নিউ দিল্লিদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী ধনখরনা হায়- ঐখোয়গী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ অমসুং চৎনবী অমদি লম কয়াদা হৈ শিংবগী চাং অসিনা ভারত অসিবু তোপ তোপ্পা মগুন অমা হাপ্লি। মসিনা লৈবাক অসিবু মহৌশাদগী অমত্তা ওইবা লিপুনদা নুংশি চান্ননা লৈরক্লি।

সাহ ঃ        গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা কেরলাগী তিরুভনন্থপুরমদা ঙসি চৎলগনি। মন্ত্রিনা মফম অদুদা রাজ্য অদুগী জিলা ৭ কী রেভিন্যুগী ৱার্দ কমিতি ওফিস বিয়াররশিংগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোক্কনি। শ্রী সাহনা মহাক্কী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা তিরুভনন্থপুরমদা দলগী নৌনা শাবা হেদক্বাটরসু শঙ্গাগনি।

রেলৱে ঃ      ভারত রেলৱেজনা দিদিকেতেদ ফ্লেগ কোরিদোর কোওপরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ (দি.এফ.সি.সি.আই.এল)গা রেলশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অমসুং মেচিন লার্নিং বেজ ইন্সপেক্সন সিষ্টেম ইন্সটোল তৌনবা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখ্রে। গৃহ মন্ত্রালয়না হায়- খোঙথাং অসিনা রেলৱেগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি অমদি অশোই অঙাম থোকপগী চাংসু হন্থহল্লগনি। থৌরাং অসিনা রেলৱেজগী থবক থৌরমশিংদা মীনা হকথেংননা য়েংশিনবগী চাং হন্থবা ঙম্লগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা দুরান্দ কপকী সো কেসিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ, ঈশিং ঈচাউগীদমক কেন্দ্র সরকারনা শেনফম কাইথোরকখিবগী পাউ অমদি ২০২৭ কী

সেন্সস হৌননবগী থৌরাংগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা- আর্মদ ফোর্সেস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনরি হায়বা গর্ভনর আজয় কুমার ভল্লাগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুর য়াওনা ঈশিং ঈচাউ অমসুং লেন্দ স্লাইদ মায়োকখিবা ষ্টেট ৬ তা সেন্তরদা লুপা ক্রোর লিশিং ১,০৬৬ তেংবাং পীবদা অয়াবা পীখ্রে, তেংবাংগী শেনফম অসিগী মনুংদা মণিপুরগী লুপা ক্রোর ২৯ হেন্না য়াওরি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরে।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- কাংলোন কায়না শাখিবা প্রি-ফেব্রিকেতেদ হাউসশিং য়েংশিনবীয়ু হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ওপিয়ম স্মগলিং তৌবদা চেন্নবা আর্মি কন্সটেবল অমা য়াওনা মীওই অহুম দিল্লি পুলিসনা ফারে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- ইং ২০২৭ কী সেন্সসকী থৌরাং তৌবা হৌরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরে।

পিপলস ক্রোনিকলদা- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা চৎনবগী মতম কাইথোরক্কনি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশনা আশা তৌরি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলে।

সনালৈবাক্তা- ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডেগা ইরোয়ননা সনালৈবাক্কী অখন্নবা ইন্তরভিউ হায়বা এক্সক্লুসিভ রিপোর্ট অমা অহানবা হেদলাইন তৌরে। মসিদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সেন্সস পাঙথোক্লবদি হুরানবদা শো শিন্নবগা পাংখক ওইগনি হায়না হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- ২৫ শুবা নেসনেল ফিস ফারমর্স ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা দিজিতেল ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম হৌদোক্লগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- হৌখিবা চহি ২০২০ দগী ঙসি ফাওবা করিগীদমক্তা মীখল পাঙথোক্লিবনো হায়না এক্স-এ.দি.সি মেম্বরস ফোরমনা মণিপুর সরকারদা হংখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- কুকিশিংগা মরী লৈনবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং খুদক্তগী লেপহনগদবনি হায়না আর.এন.সি.এমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহদা ৱাফম থমখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------